# বেদমিন্টনগীদা পি ভি সিন্ধু পদ্ম ভুষন অমদি হোক্কীগী রানী পদ্ম শ্রী ফংখ্রে

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীবা সিভিলিয়ন এৱার্দশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা পদ্ম ভুষন এৱার্দ অদু ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয় টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ ফংবা ঙমখ্রবী পি ভি সিন্ধুদা ঙসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা ন্যু দেল্লীদা লৈবা রাষ্ট্রপটি ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা নুপীগী হোক্কী শান্নরোয় রানী রামপালদা পদ্ম শ্রী এৱার্দ অদু পীখ্রে।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা ফোঙদোকখিবদা পি ভি সিন্ধু অসি ইন্দিয়াগী ওইনা লুচিংবা বেদমিন্টন শান্নরোয় অমা ওইরিবনি। মহাক্লা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা চেম্পিয়ন ওইখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা ব্রাজিলগী রিও ওলিম্পিক গেমসতসু মহাক সিলভর মেদল ফংখিবনি হায়খি। সিন্ধুনা পদ্ম ভুষন ফংলবা মতুং হোক্কীগী শান্নরোয় রানী রামপাল অমদি মমাংদা ফুটবোল শান্নরোয় ওইরম্বী ওইনাম বেমবেমদা পদ্মশ্রীগী মনা অদুসু পীখি।

প্রসিদেন্টনা রানী রামপালগী মতাংদা ফোঙদোক্তুনা ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্টরনেসনল মেটচ ২০০ শান্নবা ঙমখ্রবী টিম অসিগীসু কেপ্টেন ওইরিবী শান্নরোয় অসিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমবু লুচিংদুনা পুৱারীদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কীদা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অদু উৎপা ঙমদুনা মকোক থোংবা লৈবাক কয়া মায়থীবা পীরগা মরিশুবা পোজিসন তাখিবনি।

বেমবেমগী মতাংদা প্রসিদেন্ট কোভিদগী ত্বিট অদুদা মহাক্লা মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল কেপ্টেন ওইদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। মহাকপু 'দুর্গা ওফ ইন্দিয়ন ফুটবোল' হায়নসু খঙনখি।

মশাগী চহী ২৬শুরবী সিন্ধুমমাংদা কুমজা ২০১৫দা পদ্ম শ্রী ফংখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৬তা খেল রত্ন এৱার্দ ফংখ্রবনি। সিন্ধুগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা লৈঙাক্লা মনা অসি পীদুনা মহাক্কী হান্না লৈরিবা থৌনা অদু হাপখিবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎলকপা অসিনা মখা তারকপা টুর্নামেন্টশিংদা মহাক্কী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদু উৎননবা চপ চানা শেম শাদুনা লৈ হায়খি। পদ্ম এৱার্দ অসি হীরম অহুম থোক্লা পদ্ম ভিভুষন, পদ্ম ভুষন অমসুং পদ্মশ্রী হায়না পীবনি। পদ্ম ভিভুষননা মীওই অদুনা মমিং লৈনা ময়ামদগী হেনবা থবক অমদা পীবনি। ভুষননা মহাক্লা হোৎনরিবা থবক নৎত্রগা লম্বেল অদুদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওইনা পীবনি। অদুগা পদ্ম শ্রীনা ফিল্ড অমা হেক্তদা ফজবগীদমক পীবনি।

# মনিকা অমসুং অর্চনানা দব্লিয়ু টি টি কন্টেন্দরগী টাইটল ফংখ্রে

লাস্কো, নবেম্বর ০৮(এজেন্সী):

স্লোভেনিয়াগী সিটি লাস্কোদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস কন্টেন্দরগী ইভেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলসকী প্যের মনিকা বট্রা অমসুং অর্চনা গিরিশ কমাথনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্যের মনিকা অমসুং অর্চনানা ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনখিবা দব্লিয়ু টি টি কন্টেন্দর সেরিজকী নুপীগী দবলসকী কাঙলূপ্তা প্যুর্টো রিকোগী মচিন-মনাও এদ্রিয়ানা অমসুং মেলানি দিয়াজপু ফাইনেলদা ষ্ট্রেট গেম ৩দা থোইবা ঙমখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা অহানবা গেমদা য়াম্না হেনবা মওংদা মখোয়গী ফজবা স্মাশশিং অদুনা মতেং ওইরগা ১১-৩দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা প্যুর্টো রিকোগী দিয়াজ মচিন-মনাওগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লম্বা পীরকখিবা অদু পোইন্ট ৮ য়ৌরকপদা ইন্দিয়াগী মনিকা অমদি অর্চনানা পোইন্ট ১১ য়ৌখিবদগী ১১-৮দা থোইরগা ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহুমশুবা গেম অদুদা এদ্রিয়ানা অমদি মেলানিগী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল ফূদোক্তুনা মনিকা অমদি অর্চনাদা প্রেসর পীদুনা পোইন্ট ইন্নদুনা লাকখি। পোইন্ট ১০-১০ ফাওবা লৈনখিবদগী মখা তারকপা পোইন্ট ২ ইন্দিয়াগী মনিকা বট্রা অমসুং অর্চনা গিরিশ কমাথনা লৌবা ঙমখিবদগী ১২-১০দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

# এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী প্রোবেবল লাউথোকপদা মণিপুরদগী ৮ য়াওখ্রে

কোলকাটা, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো আই এস এলদা শরুক য়াবা ঙল্লিবা কোলকাটাগী ক্লব এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা লাক্কদৌরিবা সিজন অসিগী শেম শানবা হোৎনরকপদা প্রোবেবল শান্নরোয় ৩৩ লাউথোকপগী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৮গী মমিং য়াওখ্রে।

এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম অসি মমাংগী আই এস এল সিজনদা পূন্না টিম ১১না শরুককয়াখিবা অদুদা ৯শুবা পোজিসন তাখিবদগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী হান্নগী কোচ অদু শিনে দাক্তুনা স্পেন মচা জোস মেন্যুএল দিয়াজকা লাক্কদৌরিবা সিজন অসিগীদমক্তা হান্নগী থাক অদুদগী হেনগৎনবা হোৎনগদৌরি।

লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি গোৱাদা শান্নগদৌরিবনি। থা অসিগী ১৯দগী হৌগদৌরিবা আইএসএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী শরুককয়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি দিফেন্দরদা সাইখোম গৌতম, মিদ ফিল্ডদা জেক্কিচান্দ, অঙৌসনা ৱাহেংবম, অমরজিৎ কিয়াম, সোংপু সিংসিট অমসুং মোইরাংথেম লোকেন লোয়ননা ফোরৱার্দতা থোংখোসিয়ম হাওকিপ অমদি নাওরেম মহেশনি।

গোৱানা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এস এল ফুটবোল লীগ অসিগীদমক্তা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম লাউথোকপা অদুদা কোচনা ফোঙদোকখিবদা, ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম অসি নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া অমগা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিংগা পূনবা অনৌবা পাঙ্গল পীবা ঙমগদৌরিবা টিম অমনি হায়খি।

টিম অসিদা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী খ্বাইদগী ফজবা গোলকিপরদা পীবা মনা গোল্ডন গ্লোভ মনা ফংখ্রবা গোলকিপর অরিন্দম ভট্টচারিয়াবু এ টি কে মোহন বগানদগী লৌশিনখিবনি। ক্লব অসিদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা টোমিস্লাব মর্সেলা য়াওগদৌরি। মহাকপু ক্রোএসিয়াগী চহী ২১ মখাগী নেসনল টিমদা ষ্টোপ্পর ওইরিবা ফ্রানিও পর্সেনা মতেং পাংগদৌরি।

এস সী ইষ্ট বেঙ্গলদা ইন্দিয়াগী কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইখিবা অদুগা হৌজিক্লা ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিমগী মেম্বর ওইরিবা অমরজিৎ কিয়ামগী মায়কৈদগীসু অচৌবা মতেং পীবা ঙমগনি হায়না থাজবগা লোয়ননা মহাকপু ক্লব অসিনা লৌশিনখি।

ইটালিগী সেরি এগী কোচ অমসু ওইরম্লবা জোস মেন্যুল দাইজনা টিম অসিগী নৌনা কোচ ওইগদৌরিবা অসিদা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী হরাউতয়াম্বা ফোঙদোকখি। চৎলিবা থা অসিগী ২১দা হৌগদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা মখোয়গী অহানবা মেটচ অদু জমশেদপুর এফ সীগা শান্নগনি।

ক্লব অসিদা কাঙলোনগী মতুং ইন্না মীরমগী শান্নরোয়শিং য়াওবগী খুদোংচাবা ফংলিবা অসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগীসু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় কয়া অমনা পূনশিল্লগা টিম অসিনা হৌখিবা সিজনদা ফজবা ঙমখিদবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদু হেনগৎননবা শেম শাদুনা লৈরি।

এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী ক্লবতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবশিংগী মনুংদা জেক্কিচান্দ, কিয়াম অমরজিৎ, নাওরেম মহেশ লোয়ননা থোংখোসিয়ম হাওকিপ য়াওরি। অদুগা ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমদা য়াওরিবা তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিং অসি অনৌবা মখোঙ য়াঙবা শান্নরোয়শিংনা মশীং য়াল্লি।

# জাবি হর্নান্দেজনা বার্সেলোনাগী অনৌবা কোচ ওইরগনি

মাদ্রিদ, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনাগী হান্না শান্নরোয় অমসু ওইরম্লবা জাবি হর্নান্দেজনা ঙসিদগী হৌরগা ক্লব অদুগী অনৌবা কোচ ওইরগনি হায়না ক্লব অদুগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

বার্সেলোনাগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা কেম্প নৌদা ভাবোক লিশিং কয়ানা মহাকপু তরাম্না ওকখি। জাবি হর্নান্দেজ বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা মতম শাংনা শান্নরমখি। মহাক্কী মতম অদুদা ক্লব অদুমক্তদা ষ্টার প্লেয়র ওইরম্বা অর্জেন্টিনা মচা হৌজিক-হৌজিক্লা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শান্নখ্রবা লিওনেল মেসিসু শরুক য়ারম্বনি। মশাগী চহী ৪১শুরবা জাবি হর্নান্দেজনা বার্সেলোনাগী কোচ ওইনা কুমজা ২০২৪গী জুন থা ফাওবা থৌ অদু পুননবা কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনরে হায়না ক্লব অদুগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা জোন লাপোর্টাগা ভাবোক ময়ামগী মমাংদা চঙমিন্নরকখি। মহাক্লা কোচ ওইরকপদা অচৌবা মঙলান অমা মঙফাওনরে হায়খি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা ব্রাজিল, চিলি অমসুং ভেনিজ্যুএলাগা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট শান্নগদৌরি

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়াগী নুপীগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী এসিয়ন ৱিমেন্স কপকী শেম শাবা ওইবা ব্রাজিল, চিলি অমসুং ভেনিজ্যুএলাগা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অমা শান্নবদা শরুক য়াগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অদুখক্তা নৎতনা মখা তাবা অতোপ্পা প্রেক্টিস মেটচ ওইবা য়াবা কয়া অমসু শিল্লি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পনবায়াই, হৌখিবা ওক্টোবর থাদা ইন্দিয়ানা দুবাই, ষ্টোকহোল্ম অমসুং বাহরেনগী হামাদ টাউনদা ফ্রেন্দলি মেটচ ৬ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা, ৩ মায়থীদুনা ফজবা মওংদা শেম শারিবনি। থা অসিগী ২৫দা ব্রাজিলগী সিটি মানাউসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অদুদা অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ব্রাজিলগা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা নবেম্বর ২৮দা চিলিগা শান্নগদৌরি। অদুগা দিসেম্বর ১দনা ভেনিজ্যুএলাগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অদুগী ইহান হানবা মেটচ ওইনা ব্রাজিলগা ইন্দিয়াগা থেংনগদবা নুমীৎ অদুমক্তদা চিলি অমসুং ভেনিজ্যুএলাসু শান্নগনি।

এ আই এফ এফকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা, ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা ইন্টরনেসনল এক্সপোজর হেন্নাফংনবগী পান্দমদা দিসেম্বর থাদা লৈবাক ৪গী ওইবা টুর্নামেন্ট অমসুকন্না শিন লাংদুনা পাঙথোক্লনবা হোৎনরি। এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা স্পোর্টসকী চেনেল অমগা ৱারী শানবদা নেসনলগী টিম অসিগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল রিলেসন্স দিপার্টমেন্টকা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা টুর্নামেন্টশিং অসি পাঙথোক্লনবা শিন লাংলি হায়রি। অমরোমদা টিম কোচ থোমাস দেনর্বিনা এসিয়ন কপ অসিদা ফজবা ঙম্ননবা ইন্টরনেসনল এক্সপোজর মশীং য়ামহনবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রবনি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন মেন্স ভোলিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):

দি ব্রাইট ষ্টার এসোসিএসন উচিৱা নাষ্টাওনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দগী ২০ ফাওবা উচিৱা নাষ্টাও প্লেগ্রাউন্দদা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন মেন্স ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙম্বা টিম অদুনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ২০ ফংগদৌরি। রন্নর্স অপ তাবা টিম অদুনা লুপা লিশিং ১৫, খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় অমসুং খ্বাইদগী দিসিপ্লিন লৈবা টিম অদুদা লুপা ৫০০/৫০০ পীগনি। লোয়ননা এন্ট্রি ফীনা লুপা লিশিং ১ ওইগনি হায়রি। ক্লব অসিগী মায়কৈদগী মখা তারকপদা শরুক য়ানিংবা ক্লব/ওর্গনাইজেসন অমদি এসোসিএসনশিংনা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

# নেসনলগী থাক্তা শরুক য়াগদবা পাৱর লিফটরশিংদা ট্রেকস্যুইট য়েন্থোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ১৬তগী ২০ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল মেন এন্দ ৱিমেন্স, সব-জুনিয়র, জুনিয়র, সিনিয়র অমদি মাষ্টর বেঞ্চপ্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিমগী লিফটরশিং ওল মণিপুর পাৱর লিফটিং এসোসিএসননা শীন্দুনা শান্নরোয়শিং অদুদা ট্রেক স্যুইট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা হয়েং অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইগী কম্যুনিটি হোলদা পি বি বি পি টি সীনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা ওল মণিপুর পাৱর লিফটিং এসোসিএসনগী পেট্রোন থাংজম অরুনকুমারনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর ওলিম্পিক এসোএিসনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবমনা প্রসিদেন্ট অদুগা এন জি থোইবা অমসুং এন শিবদাসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইগদৌরি।

# মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল মখা চথরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোরকখিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২০-২১ থম্বালখোংগী ৱাই দব্লিয়ু সী প্লেগ্রাউন্দদা থা অসিগী ১০দগী মখা চথরগনি।

পূন্না টিম ৯না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা নবেম্বর ১০দা অয়ূক্কী মেটচতা এস এস সী সেক্তা অমসুং কে এস দি সী খোমিদোকনা শান্নগনি। অদুগা নুংথিলগী মেটচতনা গ্রুপ অদুমক্কী অংথা এফ সী অমদি এ বি এ ক্ষেত্রিগাও লম্বা তৌনগদৌরি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): সম্থেল খোং মপান ক্লবনা শীন্দুনা ময়াং ইম্ফালদা অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ হয়েংদগী হৌরগা পাঙথোক্লগনি হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১২না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা হয়েংদগী লম্বা তৌবা হৌগদৌরিবনি। গ্রুপ এদা আই কে ৱাই দব্লিয়ু এ ইচম খুনৌ, এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ) ময়াং ইম্ফাল অমসুং ঐচ ভি এ হৈক্রুজম লৈরি। গ্রুপ বিদা এস সী ৱাই সী (বি) সেঞ্জম চিরাং, এ এফ আই এম ৱাই দি ও (বি) ময়াং ইম্ফাল অমসুং এল এল ৱাই সী লোইতাং লৈকিন্থৌবী য়াওরি।

গ্রুপ সীদা এস সী ৱাই সী (এ) সেঞ্জম চিরাং, য়ু এস দব্লিয়ু সী উচিৱা অমসুং ঐচ ৱাই দি ও হৈক্রুজমগী টিম শান্নগনি। লোয়ননা গ্রুপ দিদা এম আর সী মাইরেনখোং, ৱাই দি এ ফৌবাকচাও অমসুং এল এস এ লিলোংগী টিম অহুম্না লম্বা তৌনগদৌরি। হয়েং নুংথিল পুং ২দা হৌগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ গ্রুপ এগী ঐচ ভি এ অমসুং এ এম আই এম ৱাই দি ও (এ) শান্নগনি।

# দ্রোনাভালি হরিকা গ্রান্দ স্বিস চেছতা ৬শুবা পোজিসন তাখ্রে

রিগা, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী):

লাটভিয়াগী সিটি রিগাদা পাঙথোকপা গ্রান্দ স্বিস চেছ টুর্নামেন্টকী নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকা ১১শুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা যুক্রেনগী মারিয়া মুজিচুককা দ্রো চৎতুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখিবদগী ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা গ্রান্দ প্রি সাইকলগী মথংগী রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

দ্রোনাভালি হরিকানা টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্লা নোংমাইজিং নুমীৎকী অথেংবদা মুজিচুকক শান্নবা ১১শুবা রাউন্দ অদুদা গেম অদু ৩১শুবা মুভতা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট ৭ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন তাখিবনি। পোইন্ট ফংবগী ওইনদি হরিকানা অতোপ্পা শান্নরোয় ৩গা লোয়ননা পোইন্ট ৭ ফংমিন্নবনি। মদুদা টাই ব্রেক স্কোর য়েংনরুবদা হরিকা ৫শুবা পোজিসন তাহৌবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওপন ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর নিহাল সরিননা পোইন্ট ৬.৫ ফংলগা ১৮শুবা পোজিসন তাখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় হরি কৃষ্ণ অমসুং সশিকিরন পোইন্ট ৬ ফংলগা ৩০শুবা অমদি ৩১ শুবা পোজিসন তাখি।

গ্রান্দ স্বিস চেছ টুর্নামেন্ট অসি ৱর্ল্ড চেছ বোদিনা শিনবা গ্রান্দ প্রি সাইকলগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। গ্রান্দ প্রি নৎতবা অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংদা ফজরকপা শান্নরোয়শিংসু মখা তানা ক্বালিফাই ওইহন্নবা শিল্লি।

# ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা হৈঙাং মখা লৈকাইদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিং হনজিং লৈকাই ইনফোর্মেসন কলচরেল এন্দ সোসল ৱেলফেয়র লাইব্রেরি য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা ২০শুবা মিনি, ২২শুবা সব-জুনিয়র, ২২শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমসুং ৩৫শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০২১ হয়েং নুংথিল পুং ৩দগী হৌদোক্লগনি হায়না শিল্লিবা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হয়েং নুংথিল হৌদোকপগী থৌরমদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর দব্লিয়ু ইবোহল (এম সী এস)না চীফ গেষ্ট, হৈঙাং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কে জয়ন্তনা প্রসিদেন্ট লোয়ননা ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ দোরেন্দ্র অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টকী চীফ এঞ্জিনীয়র ঐচ ব্রোজেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগদৌরি।

মিনি বোইজদা পূন্না টিম ৮না শরুক য়াগদৌরি। মিনি গর্লসকী কাঙলূপ্তনা টিম ৬, সব-জুনিয়র গর্লসকী কাঙলূপ্তসু টিম ৫, সব-জুনিয়র বোইজকীদনা টিম ৮, জুনিয়র গর্লসকীদনা টিম ৬, লোয়ননা জুনিয়র বোইজকীদা টিম ৭, সিনিয়র ৱিমেন্সকী টিমদা পূন্না টিম ৯ অদুগা সিনিয়র মেন্সকী ইভেন্টতা টিম ১২না লম্বা তৌনগদৌরি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমীৎতা সিনিয়র মেন্স রেগু ইভেন্টকী ওইনা গ্রুপ এগী আই এম এস য়ু সী (এ) হৈঙাং অমসুং সাই আর সী ইম্ফাল লম্বা তৌনগদৌরি। থা অসিগী ১১দা সিনিয়র ৱিমেন্স রেগু ইভেন্ট শান্নগনি। মসিদা নুংথিল পুং ২ তাবদা হৌগদবা মেটচশিংগী ওইনা গ্রুপ এগী এস দব্লিয়ু সী (এ) হিয়াংলম অমসুং পিয়ুসী (বি) কাইরং শান্নগনি। অনীশুবা কোর্টতা গ্রুপ বিগী ওইনা এম পি এস সী (এ) ইম্ফাল অমসুং আই এম এস য়ু সী হৈঙাং শান্নগনি। লোয়ননা মেটচ অনীগী মতুংদা সাই (এ) ইম্ফাল অমসুং এম পি এস সী (বি) ইম্ফাল শান্নগনি। গ্রুপ বিদা পি য়ু সী (এ) কাইরং অমসুং এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলমনা অনীশুবা কোর্টতা শান্নগদৌরি। মিনি গর্লসকীদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি কাইরংগী পি য়ু সীগী টিম অহুম অমসুং হৈঙাংগী আই এম এস য়ু সীগী টিম ৩নি। মিনি বোইজকীদনা হৈঙাংগী আই এম এস য়ু সীগী টিম৩, পি য়ু সী কাইরংগীসু ৩ অদুগা এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলম অমদি ঐচ য়ু দি আই সী হৈঙাং য়াওরি।

ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯕꯤꯌꯨ ??????? ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯕꯤꯌꯨ ???????

CHEKSINBIYU ??????? CHEKSINBIYU ???????

MAHINDRA ALU CHARA SARAGA YOLLIBA SINGDAGI CHEKSINBIYU

MAHINDRA TISSUE CULTURED POTATO TUBERS

Alu Bora da Makhagi Asumna Thaba Ubigani

1. Mahindra HZPC Pvt Ltd
2. Tissue Culture
3. Samridhi by Mahindra
4. Mahindra HZPC Date of Packaging yaoba Price Tag amasu silai touba thengnabigani

Mahindra HZPC Alu Chara Amana
Alu Kgs 2 Average Potthok Puthoknari

6th YEAR OF SERVICE TO BRING CHANGES

Samriddhi by Mahindra
A Joint Venture with HZPC
POTATO TUBERS

MACHELVA AGRO
Mahindra Tractor
Malom Bazar, Airport Road
Imphal Manipur.

HL-P/513/29/10-13/11

# ৱাই দি সীনা এস ৱাই দি এবু পাঙ্গল ৩-১দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা চথরকপা লম্বামযুম মেমচা দেবী সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দি সী খোইরোমনা এস ৱাই দি এ অথোকপমবু পাঙ্গল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা অহানবা পাঙ্গল অদু শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা এস ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ১০ হিজম রোনাল্ডোনা চনবা ঙমখি। মখা তারকপদা ৱাই দি সীগী মায়কৈদগী য়াম্লা কন্না চথরকখিবা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ৯ কেবিরজিৎনা ইক্বৈলাইজর অদু ৩১ শুবা মিনটতা চনখি। পাঙ্গল অমমম্ লৈনরগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা ৱাইদিসীনা মখা তানা পুশিল্লকখিবা বোল অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ এস প্রেমনা পাঙ্গল ১ চনশিল্লগা মখোয়না এস ৱাইদিএবু ২-১দা মাঙজিল থাখি। শান্নবা লোইশিল্লমদাইদা এস ৱাই দি এগী মায়কৈদগী পাঙ্গল হন্দোক্লবা হোৎনখিবশিং অদু অরেম্বা তাদুনা লৈখ্রবা মতুং পাঙ্গল ২-১দা হেন্দুনা লৈরিবা ৱাই দি সীগী মায়কৈদগী মখা তাবা এটেক অমদা শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা মখোয়না পুশিল্লকপা বোল অদু এস ৱাইদি এগী পেনাল্টি এরিয়াদা ফাউল তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অমদা ধনবিরনা পাঙ্গল চল্লগা ৩-১দা থোইখি।

# নিরঞ্জন ওকখ্রে

জিরিবাম, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):

জিরিবামগী কালিনগর লাইরেম্বী লম্পাক্তা ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট তাইক্বোন্দো একাদেমি অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কিক বোক্সিং এসোসিএসননা পূন্না শীন্দুনা মমাং থাগী ২৯দগী ৩১ ফাওবা বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া মিক্স মার্সিএল আর্ট ফেদরেসননা শীনখিবা টুর্নামেন্টতা জিরিবাম কমরঙ্গ মনিং লৈকাইদগী পি ঐচ নিরঞ্জননা গোল্ড মেদল অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংলকখিবা অদুগীদমক তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নিরঞ্জন দিসেম্বর ৭তগী ১১ ফাওবা জর্মনিগী বর্লিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এম এম এদা শরুক য়াগদৌরি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 283

**Diez,A (2069) - IM Ervan,Mohamad (2356)**
**Asian Individual Hybrid Tornelo INT, 2021.05.23**

1.c4 e6
2.Nc3 d5
3.d4 c6
4.cxd5 exd5
5.Bf4 Bd6
6.Bg3 Nf6
7.e3 Bf5
8.Bd3 Bxd3
9.Qxd3 Qe7
10.Nf3 Nbd7
11.Bxd6 Qxd6
12.O-O O-O
13.Rfe1 Rfe8
14.e4...

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 282 Ans. :**

34. ...Bd6 35.Nc6+ Ka8 36.Rxa7+ The white rook forks Black's queen and king. Qxa7 37.Qxa7# Damiano's knight mate

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com